# কন্না হোৎনখিবা ইংলেন্দগী টিম্নু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা পোজিসন তাদুনা বেলজিয়মনা লৈবাক অদুগী অনৌবা ফুটবোলগী পুৱারী ইখ্রে




**Final Match**
July 15
Crotia Vs France
Time : 8.30 p.m.




ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী ৩শুবা পোজিসন তাখ্রবা বেলজিয়মগী শান্নরোয়শিংনা হরাওবা ফোংদোকপা

মোস্কো, জুলাই ১৪(এজেন্সী)ঃ ফিফা ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা পোজিসনগী মেচ অদুদা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা বেলজিয়মনা লৈবাক অদুগী অনৌবা ফুটবোল পুৱারী অমা ইখ্রে।

সেন্ট পিটর্সবর্গ সিটিদা লৈবা ক্রেস্তোপস্কি ষ্টদিয়মদা মীওই ৬৪,৪০৬ লোম্না টিন্দুনা কুমজা ২০১৮ ফিফা ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা পোজিসন কনানা ওইগনি হায়বগী লম্বা অদু সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌরবা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়ম্না লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই বেলজিয়ম্বু ফ্রান্সনা সেমীফাইনেলদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরবা মতুং শুপ্নগী পাঞ্জস ১-০দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা ইংলেন্দগী টিম্নুনা ক্রোসিয়ানা এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ঙসিগী মেচ অদুদাগী মমাংদা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ১৯৬৬তা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা টাইটল লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। অমরোমদা বেলজিয়মগী টিমনা ১৯৮৬ মেক্সিকো ৱর্ল্ড কপ্তা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইরিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইংলেন্দগী কোচ জেরেথ সাউথগেটনা ক্রোসিয়াগা শান্নবগা মায়থীখিবা টিম অদুদগী শান্নরোয় ৫ শিন্দোকখি। অদুবু বেলজিয়মগী কোচ রোবার্টো মার্টিনেজদি ফ্রান্সকা শান্নখিবা মেচ অদুদগী শুপ্নগী শান্নরোয় অনীখক শিন্দোকখি।

মেচ শান্নবা হৌরকপদা বেলজিয়ম্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী মিনট ৪ শুরকপদা টিম অদুনা পুশিল্লকপা অঙনবা এটেক্ট অমদা কেপ্তেন ইদেন হেজার্দনা য়াম্না ফজবা বোল অমা ক্রোস তৌরকপদা টিমমেট থোমাস মেনিয়রনা ইংলেন্দগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফংদুনা কাওশিনখিবদা গোলকিপ্পর জোর্দান পিকফোর্দপু মায়থীবা পীদুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থারবা বেলজিয়মগী টিম মখাতানা এটেক্ট তৌবা হেঞ্জিল্লকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর দি ব্রুইননা ইংলেন্দগী দিফেন্দর জোন ষ্টোন্সনা নীংথিবা কলেক্ট তৌখিদবা বোল অদু ফংখিদুনা কাওশিনবদা নেটকী মপান্দা ওইনা পানখিবদগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখিবনি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দনা পুশিল্লকপা বোল অমা রহিম ষ্টর্লিংনা মহাক্কী কেপ্তেন টুর্নামেন্ট অসিদা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা হেরি কেনদা খায়রকপদা কেন মশা কন্ত্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী সোট অদু মপা চুম্না কাওশিনবা ঙমখিদে।

অহানবা হাফ লোয়শিনবা ফাওবদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা ইংলেন্দগী কোচ সাউথগেটনা ষ্টর্লিংগী মহুৎ মার্কস রাসফোর্দ শান্নবা চঙহল্লকখি। অদুগা দেনি রোসকী মহুৎ জেসি লিনগার্দ শান্নহনখি।

অনীশুবা হাফ অদুদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। টিম অদুগী শান্নরোয় ইরিক দয়রনা পীরকপা বোল অমা টোবি অলদরৱেরেল্ডনা টিমমেট রাসফোর্দকা পুশিনমিন্নদুনা হোৎনবদা বেলজিয়মগী গোলকিপর থিবোট কোরটোইস লান্থোক্লগা বোল অদু ফিল্ডগী ৱাংমদা চৎখি।

মখাতানা ইংলেন্দনা চথরকপা এটেক্টশিংদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা অমত্তা ফংখিদে। ইরিক দিয়র অমসুং হেরি মেগ্বরনা ফংখিবা খুদোংচাবা অনী মখোয়না হেদ তৌবদা পোজিসন চাহৌদবদগী বেলজিয়মগী গোল পোস্টা ৱাংমদা চৎখিদুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

মেচ অদু শান্নবা লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিং মখোয়না য়াম্না পাল্লিবা পাঞ্জল অদু ফংদনা লৈরিঙৈ বেলজিয়ম্না পুশিল্লখিবা য়াম্না ফজবা বোল অমা কেপ্তেন ইদেন হেজার্দনা শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইংলেন্দগী মেচ অদুদা মখাতানা লম্বা পীরকপা য়াবগী লম্বেল পুন্নমক থিংজিনবা হৌখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৩শুবা পোজিসন ফংননবা ঙসি লম্বা তৌখিবা ইংলেন্দ শান্নবগী মিনট ৮ লোমতা ঙাইহৌরবা অদুদা পাঞ্জল ২ শোথদুনা লৈখিবনি। মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা বেলজিয়মনা ৩শুবা পোজিসন তাখি অদুগা মখোয় ৪শুবদা লৈহৌখি।

ঙসি বেলজিয়মগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা অদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০না টুর্নামেন্ট অসিদা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। হায়রিবা পর্ফোমেন্স অসি কুমজা ১৯৮২দা ফ্রান্সনা ইহান হান্না থম্বা ঙমখি। মখোয়গী মতুংদা ইটালিনা কুমজা ২০০৬কী ৱর্ল্ড কপ্তা ফংখি।

ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রবা বেলজিয়মগী কেপ্তেন ইদেন হেজার্দপু মহাক্কী য়াম্না ফজবা মশান্না অদুনা মরম ওইরগা মেন ওফ দি মেচকী মনা অদু মহাক্না ফংখি।

হয়েং মোস্কো সিটিগী লুজিন্সকি ষ্টদিয়মদা কুমজা ২০১৮গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী চেম্পিয়ন মশক খঙনবা ১৯৯৮তা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ফ্রান্স অমসুং অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌরক্লিবা ক্রোসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।



মায়থীহৌরবা ইংলেন্দ ফুটবোল টিমগী নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লিবা মীয়াম

২২শুবা সব-জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## আই দব্লিউ দি এফ এ মায়পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ২২শুবা সবজুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই দব্লিউ দি এফ এ) মায়পাকখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ঈ দি এফ এ) অমসুং দি এস এ-চান্দেল দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ২২শুবা সবজুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা আই দব্লিউ দি এফ এ অমসুং দি এস এ- চুরচান্দপুর শান্নখি। মেচ অদু হৌবদগী লোয়বা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনটতা আই দব্লিউ দি এফ এগী জর্সি নম্বর ১৮ ঈ গাইভিক্টরনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না ১-০দা মাংজিল থাহনখি। দি এস এ-চুরচান্দপুরগী মায়কৈদগীসু আই দব্লিউ দি এফ এনা মাংজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা দি এস এ-চুরচান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১৪ গিননেনলাংনা আই দব্লিউ দি এফ এগী মাংজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক এটেক্ট কয়া চথনরকখি। মেচকী ৭২শুবা মিনটতা আই দব্লিউ দি এফ এগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাইমহেশনা অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাংজিল থাহনখি।

দি এস এ-চুরচান্দপুরগী শান্নরোয়শিংনা আই দব্লিউ দি এফ এগী মাংজিল থারিবা গোল অদু মেচকী অরোয়বা মীৎকুপ ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ৩ তাবদগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি এস এ-চান্দেল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ( আই ঈ দি এফ এ) শান্নখি।

অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবা মরম্না গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ৬২শুবা মিনটতা দি এস এ-চান্দেলগী জর্সি নম্বর ৭ ঐচ এল অংনারিংনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাংজিল থাখি।

মেচকী এক্সত্রা টাইমগী অহানবা মিনটতা আই ঈ দি এফ এগী জর্সি নম্বর ৯ এন অরুননা দি এস এ-চান্দেলগী গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু লোয়শিল্লকপদা দি এস এ-চান্দেল অমসুং আই ঈ দি এফ এ গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু থাইলেন্দ ওপনগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



বেঙ্কোক, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস)ঃ থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৩৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় গ্রেগোরিয়া মারিস্কা তুঞ্জুংগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই সিন্ধু টুর্নামেন্ট অসিগা নম্বর টু শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহাক কুমজা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা সীলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা শান্নরোয় অনীমক্না য়াম্না অকন্নবা লম্বা তৌনখি। পোইন্ট খুদিংমক লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা অমনা অমবু হেন্নখিদে। পোইন্ট ২১-২১ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্নদগী সিন্ধুনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী অহানবা গেম অদু ২৩-২১দা থোইদুনা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় মারিস্কানা সিন্ধুগী অশোনব মায়কৈশিংদা এটেক্ট চথবা হেল্লকপদগী পোইন্ট মাংজিল থাবা ঙমখি। সিন্ধুনা পোইন্ট ১৬ য়ৌরকপদা মারিস্কানা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী অনীশুবা গেম অদু ২১-১৬তা থোইদুনা শান্নরোয় অনীম্মক গেম ১-১দা লৈনখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা য়াম্না হেনবা মওংদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় গ্রেগোরিয়া মারিস্কাবু হৌবদগী লাকশিন্না শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরদা পোইন্ট লৌবগী চাং সিন্ধুনা হেন্দুনা লৈখি।

ফাইনেল য়ৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা ইন্দোনেসিয়াগী মারিস্কাগী মায়কৈদগী সিন্ধুগী মশান্না অদুদা পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী মহাক্কী পোইন্ট শুপ্নগী ৯ খক লৈরিঙৈদা সিন্ধুনা পোইন্ট ২১ য়ৌখিদুনা সেমীফাইনেল মেচ অদু সিন্ধুনা ২৩-২১, ১৬-২১, ২১-৯দা থোইদুনা হয়েং ফাইনেলদা জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শু বা সীদেদ ওইরিবী নোজোমী ওকুহারাগা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মমিং লৈরবী নুপীগী শান্নরোয় সাইনা নেহৱালসু শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বা অদু শোকপদগী ৱিদ্রো তৌখিবনি।

পনবা য়াই ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেচতা য়ু এস এগী শান্নরোয় ঝাং বৈৱেনগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেলদনা জপানগী কান্তা সুনেয়ামা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ারটোগা লম্বা তৌনরগনি।

কান্তা সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী সোনি দ্বি কুনকোরোবু ২১-১৩, ১৪-২১, ২৩-২১দা মায়থীবা পীরমখি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ারটোনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী সুপানয়ু অভিহিংসানোনগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না লায়না ২১-১৫, ২১-১২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## ত্বিন্স এফ সি করামনা ৭ তাইগর খুরাইবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ করাম অৱাং লৈকায় য়ঙ ক্লব (কে এ এল ৱাই সি) করামনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা করাম কাংজৈবুং লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচতা ত্বিন্স এফ সি করাম্না ৭ তাইগর খুরাইবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ২০ শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমীফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ত্বিন্স এফ সি করাম অমসুং ৭ তাইগর খুরাই শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী ফাইনেল চঙননবগীদমক অকন্নবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি।

অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবা মরম্না গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা ৭ তাইগরগী জর্সি নম্বর ৪ সভাসনা ত্বিন্স এফসিগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক্ট অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়দুনা মশাগী গোল মনুংদা বোল অদু কাওশিনখিবদগী পাঞ্জল অদু ত্বিন্স এফ সিগী ওইখি।

৭ তাইগরগী মায়কৈদগী ত্বিন্স এফ সিনা মাংজিল থাদুনা চৎলিবা অমতা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা য়াঙনা শান্নরকখি। ত্বিন্স এফ সিগী মায়কৈদগীসু ৭ তাইগরনা চথরক্লিবা এটেক্টশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নরকখি।

মেচকী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ত্বিন্স এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪ সনাতোম্বনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিল্লগা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ লোয়শিল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা ৭ তাইগরগী মায়কৈদগী ত্বিন্স এফ সিগী গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা ত্বিন্স এফ সি করাম্না মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৪

১। মহাক অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়নি, মহাক্কী লৈবাক্না ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা মতমদা মহাকসু শরুক য়াখি। মহাকপু মহাক্কী ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা **Gasolina** হায়নসু খঙনৈ। মহাক কনানো?

২। মহাক নুপীনি, মহাক্কী মপা দাক্তরনি, মহাক্না ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংলবা মতুংদা হভার্দ মেদিকেল স্কুলদা তমদুনা দোক্তর ওইখি। ৱিন্টর ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমনা দোক্তর ওইবা অসি অতাঙবনি, মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৩। মহাক অমেরিকাগী অফাওবা এথলেটনি। ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। লৈবাক অদুগী অচৌবা লানগী জহাজ অমা মহাক্কী মমীং থোনখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক ওলেম্পিক্কী মেদলসু ফংখি, ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাকপু মেনেজরনা তাম্থোক্খি। মহাক মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল টিমদা য়াওখিদ্রে। মহাক কনানো?

৫। পীরিবা শক্তম অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/ থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা



অহানবা দেবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## ৱাই জি সি ৱাখোং অমসুং ৱাই দি সি এল পুংদোংবম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেলৌগী দিবেশ্বরি ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা এন পি ৱাই সী চানা লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা দিবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেচশিংদা ৱাই জি সি ৱাখোং অমসুং ৱাই দি লি এল পুংদোংবম মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা দিবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই জি সি ৱাখোং অমসুং দি এফ এ টেলৌ শান্নখি। মেচ অদু লোয়শিল্লকপদা মায়কৈ অনীমক্তগী গোল ২-২দা লৈনখিবদগী পেনাল্টি কাওনখি। মদুদা ৱাই জি সিনা দি এফ এ টেলৌবু গোল ৭-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্না য়েলো কৈবীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা অনীশুবা টিম ওইখিবনি।

## সেরেনা ৱিলিয়মস মায়থীবা পীদুনা জর্মনিগী কর্বরনা টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী) ঃ য়ু এস এগী শান্নরোয় সেরেনা ৱিলিয়মসপু মায়থীবা পীদুনা জর্মনিগী শান্নরোয় এঞ্জেলিক কর্বরনা চহী অসিগী ৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিদা ১১শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। অমরোমদা সেরেনা ৱিলিয়মস সীদিং ফংদনা শান্নরকখি।

সেরেনা ৱিলিয়মস মমাংগী চহীদা মহাক্কী অহানাব মচা উন্নবগা লোয়ননা শান্নবগী খুদোংচাবা লৈতবদগী রেঙ্কিং সিষ্টেমদা মহাক্না পোইন্ট লৈখিদবনি।

এঞ্জেলিক কর্বরনা সেরেনা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অমা অহানবা সেট অদুদা ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু সেট অদুগী মখা তারকপদসু অদুম্মক পুদুনা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী তৌখিবী সার্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমখিদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু সেরেনাগী সার্ভিস গেম অমা কর্বরনা ব্রেক তৌখিদুনা অহানবা সেটকুম্না সেট অদুসু ৬-৩দা থোইদুনা কুমজা ২০১৮গী ৱিমব্লেদনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

মায়থীহৌরবী সেরেনা ৱিলিয়মসনা মমাংদা ফংখিবা টাটল ৭ অদুগী মথক্তা ৮শুবা টাইটল ফংনবা হোৎনরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা স্পেনগী রাফেল নদালবু সর্ভিয়াগী শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমদা ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬(১১-৯), ৩-৬, ১০-৮দা মায়থীবা পীদুনা হয়েং ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা লম্বা

## ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ২শুবা ৱান-দেদা রন ৮৬তা মায়থীবা পীখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিম্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান-দে মেচ অদু য়ুম্বু লৈবাক অদুনা রন ৮৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা থা অসিগী ১২দা শান্নখিবা অহানবা ৱান-দে মেচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮তা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মেচ অদুগা টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না ওভর ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩২২ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী জো রুটনা বোল ১১৬তা আউট ওইদনা রন ১১৩দা লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স অমগা ফোর ৮ য়ৈরমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অদুদি বোল ৫১দা রন ৫৩ লৌখিবা কেপ্তেন ইওন মোর্গন, রন ৫০ লৌখিবা দেবিদ ৱিলি, রন ৪০ লৌখিবা ওপনর জেসন রোই অমসুং রন ৩৮ লৌখিবা অতোপ্পা ওপনর জোনি বার্ষ্টৌনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর কুলদিপ যাদবনা ইংলেন্দগী বেটচমেন ৩ আউট তাহন্দুনা খ্বায়দগী ফজবা বোলর ওইখি।

ইন্দিয়ানা মেচ অদু মায়পাক্লবা রন ৩২৩গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০দা ৱিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ২৩৬খক লৌখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়া রন ৮৬তা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা সুরেস রাইনানা রন ৪৬ লৌরম্বা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। কেপ্তেন ভিরাট কোহলি রন ৪৫, এম এস ধোনি রন ৩৭ অমসুং ওপনর শিখর ধৱননা রন ৩৬ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদে।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com